
# ‘অরোইবা খুদোলদি পিরাংনি-!’’

**– এল ইবোমচা –**



মী ওইনা পোক্লবদি অঙাং ওইরম্বদগী অসুম অসুম চাউখৎলক্তুনা পাখঙ-লৈশাবী ফারকই। মদুসু অঙাং ওইরিঙৈ মনুংদুদা তৌহৌগদবা মথৌ-মঙম পাঙথোক্তবা য়াদে হায়বদি মরু ওইনা যজ্ঞ লিংখৎতুনা না-হুৎপগী থৌরম পাঙথোকই। যজ্ঞগী হৌনবী মতুংইন্না না-হুৎকদৌরিবা অঙাং অদু মশম-মনা শেংনা কোকথোকই। হিদেন তরেৎকী ঈশিংনা অঙাং অদুগী মকোক্তা ফি অমা থারগা হৈথদুনা লৈরম্বা অমোৎ-অকাইশিং শিৎ নান্না চামথোকই। মদুগী তুংদা অঙাংদু মনা হুৎলি। অসুম্না অঙাং ওইরম্বদগী পাখঙ-লৈশাবী ফানরক্তুনা ময়ূম-মকৈ পান্নরকপা ঙাক্তনি।

অঙাংনা তাইবঙদা হেক খোঙদারকপগা হঙা-হঙা খোঞ্জেলদা কপ্পী। মসি মালেমদা লৈরিবা ফূরুপ খুদিংগী অঙাং খুদিংমক্না পোকপদা চপ মান্নবা খোঞ্জেলদা কপ্পী। মখূৎ অনী খুৎতুম তাশিল্লগা মমিৎ উইশিল্লগা পোক্লকই। ফূরুপ খুদিংমক মসিগী ৱাহন্থোক লৈনৈ। মীতৈ ফূরুপকীসু খূৎতুম তাদুনা লাক্লগা খুবাম তিংথোক্লগা হনখিনি অমদি তাইবঙ অসি করি ওইরমগনি খল্লুবদা কিবদগী মমিৎ উইশিল্লগা পোক্লকপনি অসুম্না মসিগী ৱাহন্থোক লৈজে। অমরোমদা, তাইবঙ মপুনা শিন্নরকপা শিন্থাদু মখূৎ অনীনা চেৎনা তাশিন্দুনা পুরকপনিসু হায়নৈ। অদুগা তাইবঙ মপুনা শিন্নরকপা শিন্থা অদু পাঙথোকপা লোইরবা মতুংদা খুবাম তিংথোক্তুনা হনখিগনিসু হায়নৈ।

মীপূম খুদিংমক অঙাং ওইরকপা ঙাক্তনি। তাইবঙদা হেক খোঙদারকপগা হঙা-হঙা হায়না অঙাংনা কপ্পা খোঞ্জেল অসি হৌজিক ফাওবদা হোংদ্রি। মালেম অসিদা মীওইবা ফূরুপ্না হেক লৈরিমখৈ হোংগদবা মান্দে। অদুগা পোক্লবা মতুং খরা লৈরগদি অঙাংদুনা পোকপদা লোয়নরকপা খোঞ্জেল অদু তপ্না-তপ্না হোংলক্তুনা মাঙখ্রগনি। মহাক্না পোক্লিবা ফূরুপ্তুগী মরোল ঙাঙবা হৌরক্লগনি। মদুগী তুংদা মপুনা শিন্নরকপা শিন্থা অদু পাঙথোকপা হৌরগে মতাগুম উদনা লৈরম্বা মমিৎ উরক্লগনি, তাশিল্লম্বা খূৎতুম অনীদু তপ্না-তপ্না হাংদোরক্তুনা খূবাক ময়ি উবা ফংলক্লগনি।

অঙাং অমা চাউনবা য়োকপা অরাইবা থবক নত্তে। অহানবদা মমা-মপানা মরু ওইনা মৈ-ঈশিং-নুংশিৎ, অঈং-অশাদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনৈ। মদুদগী তিং-তিং চাউরো, নুমিৎনা কারিঙৈ কাহৌরো, থবীনা ৱাংলিঙৈ ৱাংহৌরো, নপা মচুম তারো, নপু মচুম তারো হায়না নুমিৎ মায়কৈরোমদা ওনশিন্দুনা থুনা চাউহন্নীংবগী মওংদা চোংগনি অদুগা মহৈ-মশিং তমহনগনি। মহাক্না মহৈ তমদুনা জ্ঞান লৌশিং লৈরক্লবা মতমদদি শেল থোক্লবা শেন্দাল লম্বী থিবা হৌরক্লগনি। অদুগা যূম্বাল লম্বীদা খোঙ থাংজিনবা হৌরকই।

তাইবঙদা লৈরিবা জীবশিং অসি মরূম ওইনা কোকপা অদুগা মচা ওইনা নাউফমদগী পোকপা হায়না লৈ। জীব পানবা খরদি হেক পোকপগা ফুক হৌগৎলগা চৎপা ঙম্মী। উচেকশিংনা মরূম ওইনা কোক্লগা মপীনা মরূম কোল্লগা মচা ওল্লবা মতুংদা মতম খরা মকোন্দগী হেন্দোক্তনা লৈ। অদুগা মপীনা মচীঞ্জাক থিরুরগা মচা চাউনবা য়োকই। মতম খরা লৈরগা পাইবা হৈরকই, মচীঞ্জাক মতোমতা থিরগা চাবা হৈরকই। অমরোমদা, ঙা মপীনা ঈশিংদা মরূম কোকই, মতোমতা মচা ওঞ্জরকই। ঙা মচানা ঈশিংদা লৈবা অপীক-অপীকপা হিংকুপশিং চারগা চাউরকই।

অসুম্না তাইবঙ মীনা পোকপা মচাদুবু অঙাং হায়না কৌই। অঙাংনা চৎপা হৈবগী মতম অসি অঙাং অমগা অঙাং অমগা চপ মান্নদে হায়ববু চাংচত্তা চহী অমমুক্তি চংই। মমা-মপানা য়াম্না চেকশিন্না শেন্নরবসু চহী মতাং অসি নীংথিনা শেন্নহৌদবদা খুদোং থীবা নংগদৌরিবনি। মপোক থা য়ৌরকপা অদুৱাইদদি ৱা ঙাঙবমক ঙমদ্রবসু ৱা ঙাঙনীংবগী মওং মতৌদা উ-উ, মা-মা, পা-পা অদুম ঙাঙবা হৌরক্লে। অদুগা চৎপা হৈরকপদগীদি অমুক হেন্না চেকশিন্না শেন্নদবা য়ারক্ত্রে। মরমদি অঙাংনা মসিনা করিনো, মসিনা করি পোৎনো খঙবা নত্তে। অফং-অফংবা পায়গে হায়রক্কনি, ময়াদা হুকচিন্নবা হোৎনরক্কনি। ময়াগী সংসার হায়বদুরা খঙদে, মমা-মপানা মচাদগী হেনবা নুংশিবা অমত্তা লৈতে পূম্নমক্তগী হেল্লি ময়াদা চাগদবা মচাদা পীজৈ।



ইচানুপা অহল রোবিন্সন মতৌ অসুম্না য়োক্লকপনি। লাইরিক অদুম ফনা হৌরকই। মেত্রিক পাস তৌবা ইকুই কুইদনা ঙন্না যূম্বাল পূন্সিদা খোঙদাই। মচানুপা অমা পোক্লবা মতুংদা ঐখোয় পুল্লপ্না তাউথোং খুন্নৌ লমশাংদা যূম হোংই। যূম হোংলবা মতুংদা মখা তানা মচানুপা অমা অমদি মচানুপী অমা পূন্না মচা অহুমশুবা অদুৱাইদা মণিপুরদা কি-পেদ মোবাইলগী ঈহৌ অমা কন্না লাকখি। মোবাইল ফোনগী মমল লুপা ২২০০/২৩০০দগী লুপা ৪২০০/৪৩০০ ফাওবা পীনবা মতমনি। মোবাইল ফোন পায়বা মী অয়াম্বা ঙকশমদা মরী য়াল্লগা নৎত্রগা খোঙ্গ্রাওগী পেটিদা বেগ য়াল্লগা চৎনরম্মী। মোবাইল ফোন পায়বা মী উরুবদা ঐসু মাগুম্না করম্বা মতমদা মোবাইল ফোন অমা পায়বা ঙমগদগে খন্নবা মতমনি। মোবাইল ফোন রিং টোন লাকপগী কুফেৎ-কাফেৎ ঙানবা উবদা মীয়াম ঙাওনবা মতমনি। মণিপুরগী ওইনদি মোবাইল ফোন খরা ঙন্না পায়বশিংগী মনুংদা ইচানুপা রোবিন্সনসু অমনি। থাগৎপদি নত্তে মতমদুদা মোবাইল ফোন অমা পায়বগী টেক্নিক মামুক খঙ-হৈবা অমা লৈতে হায়বা য়াই। মীঙোন্দা মোবাইল ফোন শীজিন্নবা তাকপী-তম্বীবদগী হেন্দোক্তুনা কি-পেদ মোবাইল ফোন য়াদবা শেম্বা হৈবদা নম্বর ৱাননি। ইকুই কুইদনা ইম্ফালগী গভর্ণর রোদতা মোবাইল ফোন শেম্ফম ‘য়ুনাইটেদ মোবাইল’ মিংথোনবা দুকান অমা হাংদোকখি।

মোবাইল শেম্বা লাকপা মীনা মাগী পংপীক পীক্তবা দুকান অদু চিক্ন-চাইনবা ঙমদনা তিল্লি। মোবাইলগী মনুংদা য়াওরিবা লাইরম্লেনগী ওইবা সংসার ময়াম অদু হাংদোক্তুনা লাক্লিবা কষ্টমরশিং অদুদা য়েংহনবদা মাবু লাইনি হায়নখি। মোবাইল মনুংদগী থির-থিরগা পুথোরকপা ঈশৈ নোংমাই, সিনেমানচিংবা য়েংবদা কষ্টমরশিং ময়ূম ময়ূমদা হনগনি কাউনৈ। মানা ঙম্ববু ইংলিস ফিল্ম রোমিও জুলেট, হিন্দি ফিল্মগী লৈলা-মজনু, সোলে, মহেবুবা অমদি মীতৈ খম্বা থোইবী জগোয় ফোন মনুংদগী পুথোরক্তুনা য়েংহল্লি।

লাইবক থীবদি মতমদুদা মোবাইল শেম্বদা শেগাক কায়না মমিং চৎলবা ইচানুপা রোবিন্সন মোবাইল ফোন শেম্বা অদু তোকথোক্লগা অচা-অথক্কী মমিং লৈরবা বাংলাদেশ (PRAN) কম্পনিদা থবক চঙখিবদগী মরুপ শঙ্গ চাওখৎলক্তুনা য়ুদা এদিক্ট ওইরবা মী অমা ওইরকখি। তৌবদি য়ু হায়বসি ঐখোয়না খন্নরিবা অসি য়ৌনা ফত্তবদি নত্তে। পোৎ খুদিংমক শীজিন্নবগী মতুংইন্না অফবা অমসুং ফত্তবগী মতিক-ময়াই লৈ। ভিটামিন ফাওবা হেঞ্জিন্না থকচিল্লবদি মীদু শিবমক নৎত্রবসু ফত্তবা খরদি থোকই। মালেমগী মফম অয়াম্বদা য়ু থক্নরিবনি তৌবতবু থকপগী মওং মান্নদবা অসিতনি। হায়বসু হায়বনি য়ুনা মীওইবগী হকচাংদা তশেংনা কান্নহনব্রা কান্নহন্দব্রা হায়দুনা হংলকপা থোক্লবদি ‘কান্নহন্দে’ হায়বসিনা ঐগী পাউখুম ওইগনি।

মতাং অসিদা মহৌশা ইংলিসকী টেক্সবুক অমদা য়াওবা ‘দা-ইম্প এন্দ পিজেন্টস ব্রেদ’ হায়রিবা পাড়াদু নীংশিংলকই। হায়বদি অহুমশুবা ষ্টেজ য়ৌনা নুমিৎখুদিংগী মতম শাংনা য়ু থকপদুনা লিভর সিরোসিস লায়না নারকখি। মপুক পায়দুনা থরো থরো ওনবা হৌরকখি। রিমস হোস্পিটালদা লায়েংবা য়াবা লায়েংলবা মতুংদা ফগৎলক্তবদগী ইশুনুপা অমসুং ইমৌনুপীনা দেল্লীদা পুদুনা শেল ময়াম অমা চঙদুনা লায়েংবা চৎলি। খরা ফরে হায়না হল্লক্লগা ইখঙ খঙহৌদনা মার্চ ১১, ২০২৫, লমতাগী ১২নি পানবা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুমিদাং পুং ৭.২৫ রোম তাবদা মপা-মমা, মহাক্কী লোয়নবী, মচানুপা, মচানুপী, মমৌ অমদি মশু য়াওনা ঐখোয় খ্বাই পূম্নমক থাদোক্লম্লগা শজিক মতুং ইনখিবনি।

অদুবু খঙহৌদে, মহৌশা কৌবী লাইরেম্বীগী কাইফদ্রবা খোঙচৎনা হাংচিৎ ফেব্রুৱারী ২৮, ২০২৬, মৈতৈ থবান্দা লমতাগী ১২নি পানবা থাংজ নুমিৎতা ইচা রোবিন্সননা শজিক মতুং ইন্দুনা চৎখিবা কুমওন অমা চপ চানা ফারকপদা হেন্না হেন্নদুম মৈচাক হাপ্লে। ইচাগী কুমওননা লাকপদা ঐখোয় পূম্নমক মহাক্কী মফমদা মীৎকী পিরাংগা লোয়ননা অরোইবা বিদায় অসি পীরবনি। ৱাহৈ খরসিনা ঐগী ইচাগী মফমদা শ্রাধাঞ্জলি কৎপা ওইজরগে, চৎলোকো ইপাগী ইবুংঙো-! হৌজিক্তি কৈদৌরুগনি “অরোইবা খুদোলদি পিরাংনি-!” ঈং-তপ্না নুংঙাইনা পোথারো মপু মাগী মনাক্তা। ওঁ শান্তি, শান্তি শান্তি!!! ●

# মৌ অনৌবা/অনৌবীশিং মরম ওকফম খঙদ্রি

**– বি সী খুমন –**

পৎ-তৎনা, নোংমগী চরা অনী শুনা চাবা ফংদ্রবসু মীতৈদি ভীক্ষারি ওইবগী ৱাখল লৈরমদে। মতমগী অহোংবনরা নৎত্রগা ঈয়ান ওইখিবনরা দিকেদ ৫/৬সিদা নিদ্রদি হিংবা ঙমদবা মীতৈ ফূরুপকী মীওই মশীং হেনগৎলক্লিবসি লমদমসিগী ওইনা অফবা নৎত্রবনি। মীতৈ মীচমদি লায়নাসি মশক খঙনদ্রি, অদুবু লৈঙাক্কী লুচিংবশিং, ওফিসরশিং (লোইনমক কোশিঞ্জরে), পিওন, চমপ্রাসি ফাওবা য়াওনা নিবগী লায়নাসি অঙকপগী চাংদা হেনগৎলকখ্রে। চুম্নগী ভীক্ষারিদি ভীক্ষা হাপ্তবদা করিসু হায়দে, তূমিন্না অদুম চৎখিনি। অচৌ-অশাং ফম্নাইবশিংগী নিবগী লায়নাসিদি শাফু কনখ্রবা লায়নানি, সাইলেন্ট কিল্লরনি। কন্ননবা পান্থে লৈত্রি। হুরানববু হুরানবনা ফারদি কনানা বিচার তৌনি হায়রম্বা ডা. কমলগী করেম্নবা ফাগিগী ৱাহৈ-মহাউ য়াওরকই। লায়রবনা নিবনা চরা তম্নবনি। লৈঙাকপশিং, অচৌ অশাং ফম্নাইবশিংনা নিবনা লন্নাই ফুরিৎখাও থন্নবনি। কেন্সর লায়নাগুম মসা-মরেং ফল্লি, হীরম খুদিংদা শন্দোকপা ঙম্মী। মরকসিদা লমদমসিগী সী এস ও, মহৈরোয় লূপ, লৈবাক নীংবা শাবশিংসু মীয়ামগী থৌগলগী মিংদা নিবগী হৈনবী লৈখ্রে, মরা তাখ্রে, লায়না লাইচুখ্রে কন্না হায়নরি। খঙদ্রে। অৱাবশিংনা পঙৱাদা ৱানবা, নুংঙাইবশিংনা পংনুংদা নুংঙাইনবা, অমনা অমদা হন্না য়েংনদবা পূন্সি মরেলদা পংহিংদা হিংনবা লমদমসিবু মতম অমগী লাইরৈপাকনি হায়নরম্বদুরা।

খঙনৈ, নুমিৎ, থা, থৱান্মীচাক্কী খোঙচৎ কায়দ্রি, মালেমসি অসুম্মক লৈখিনি। মৈ, ঈশিং, নুংশিৎ লৈরি, জীব পানবশিংসু অদুম্মক হিংখিনি। অদুম্মকপু তাইবঙপানসিদা হিংলিবা মীওইবা, শা-ঙা, উচেক-ৱায়া, উপাল-ৱাপালশিংনা শেন্নীবা মপু মানা শীন্নরম্বা মথৌদাংদগী হেন্দোক্না লাই শানরক্লিবসিদি খল্লুবদা অকিবগী মশক্লি। মীনা-মীগী মচৎ থওইরক্ত্রে, শানা শারমচৎ পাল্লক্ত্রে। উপাল-ৱাপাল, পাৎ-তুরেলসু ওৎপীবা হাকমনবদগী হিংবা তন্নরক্লে। দর্ৱিনগী থিওরি ওফ ইভোল্যুশন মথক মখা ওন্থোক্লিংবা ঙাক্তনা মালেমসি খুদুম চনখ্রমাল্লে।

হেন্না ঙকপনা মীওইবনা আইজাক ন্যুটনগী থিওরিজ ওফ গ্রেভিটি নাথৈরগা অতিয়াগী পূন্সি মরেল পাম্লকপগী সুন-তরংদা পাইনীংলক্লে, সোলর সিষ্টমদা মীৎয়েং থম্নরক্লে। অঙকপনি। লাই মানা শেন্নম্বা মীওইবনা লাই শানীংলকপদা লৈথক লৈখা খোন্না উহৈদবা, তাহৈদবা ৱাহন্থোক্তনা ঙসিগী পাউ ওইরি। লাইনা লৈখা তারকপসি হিংচাবগী মঙম হেল্লকই হায়না ধর্ম্মগী লাইরিকশিংদা য়াওবদু অচুম্বনি তাক্লিমান্নে, মতমসি খম থেংনা মথক মখা ওনখ্রে। করপশনগী লায়না ঙাকথোকপা ঙমদ্রিঙৈদা লাই ওইনিংবশিংনা কা হেন্না মথি ফোংমনখিবনা মালেমসে মৈশা লাংলক্লে। মচী-মচী খুদিংদা লানগী মৈরিনা জীব পানবশিংদা শীংনরক্লে। ন্যুক্লিয়র খূৎলায়শিং মথৌ পাঙনীংবনা মরেঙ-মরেঙ চৎলক্লে, মরোল লোল্লক্লে। থেমজিনবীনবা লৈত্রবনা লাই ওইনীংবশিংনা অমুকসু ঈং-তপ্পগী শক্লোন লৌনবা অঙম তান্নরি। য়ু এসকী মৱা চাইনানা লৌবীদে, রসিয়াগী ধমকা য়ু এস এনা নাচুংবীদ্রে। কদায়দা চৎখ্রে, য়ু এন ও, এন এ টি ও (নাটো), জি ৮ নচিংবা ইন্টরনেশনল ওর্গনাইজেশনশিং। মীনা শেমখিবা ওর্গনাইজেশননি অদুবু লাই শানীংবশিংনা পূম্নমক ফৈজৈ চৎহন্নবা অঙম তান্নরক্লি। মীচং খোম্নবদা অশোনবা, অপীকপা লৈবাকশিং ঙা মরূ পনখ্রবা খৌনাওগুম ৱা ঙাঙহনখিদ্রে। হেন্না থরক হনগৎলিবদি অহল লমনশিংনা লীশাং শিৎনা চিনফা পুনরক্লবা ইন্টরনেশনল থিওরি, ধর্ম্মগী ওইবা ফজখ্রবা পাউতাকশিং মতমসিগী লাই শাবশিংনা মৱা লৌখিদ্রে। মশানা মশাবু নোবেল প্রাইজ ফংহনগদবনি হায়বা ঙম্নরক্লে। মালেমবু অওনবা পুরকহনবদা থৌদাং য়ারম্বা কাল মার্ক্স, ইম্মেলিনি পেনখ্রষ্ট, মহাত্মা গান্ধী, চার্লস দর্ৱিন, অলবর্ট আইনষ্টাইন, মাও জেদোং, নেলশন মন্দেলা অমদি বিল গেটসপু ইকায় খুম্নরক্ত্রে। মসিনা করম্বা লায়না লাইওংনো?

করপসশনা দর্টি পোলিটিসিয়নশিংগী মমিৎ তাংহল্লি, মনা পঙহল্লি, ঈজৎ লৈখা তাহল্লি। নম্বর ফোর, এন টেন এদ্দিক্ট ওইবদগীদি করপশনগী লায়না লায়চুখ্রবা মীওইশিংনা ইকায় খঙদবা হেল্লি। ফোর, এন টেনগীনা খুদেং, পুখম অমনবশিং হুরান্নে। করপশননা লুপা খাউজাওদা ঙাওনৈ। দুকান প্লোট, লম্লেমশিংদা মীৎয়েং থম্নে, নুপী মশীং য়াম্লিংলকই। মনাক্তা থাজদনা চঙলকপা মীওইশিং শেলগী লাইরেম্বা লাইরেম্বীনা থারকপা মীনি খল্লি। অচৌবনা করপশন তৌখ্রবনিনা মখা তাবা ওফিশলশিংসু য়াওনা কনাগী গ্রেদ ফোর-ফাইভ ফাওবা করপশন হৈ। অতৈনা নত্তে, লায়নানিনা মথং-মথং লৌনখিবা ওইরম্বসু য়াই। অমনা লৈঙাকপশিংগী মীয়াম্না তুক্কৎচনবা লীচৎ অমা হায়য়ু হায়রদি শুক্লেপ লেপ্তুনা দেল্লীদা ভীক্ষা নিবা চৎপগী হৈনবীসিনি। ‘নিদা নিয়ু, পীরক্ত্রসু মহুৎ তাবনি’ হায়বা ফূরুপ অমগী ফাগি শৈরেংদু চীনফা ফজনা পুরে হায়নীংই। খঙহন্নীংলিবনা মন্মল্লবদি ভীক্ষা হাপকদৌরিবা ইমুংদুসু মওং-মওং খল্লমগনি, ইজৎ খরা য়েংউ হায়বনি।

পীক্কে পীকউ, চাউগে চাউ, ষ্টেট অমগী সী এম, মিনিষ্টর হায়বসি লমদমদুগী নিংথৌ, ফম্নাইবনি। মীয়াম্না ওন্থোক্না ইকায়খুম্নখ্রবা, ভি ভি আই পিনি। করি মন্ত্র যাদু তৌখ্রবনো-দেল্লীদগী লাকপনি হায়রদি কল্লাক থক-থক নিকপ্রা খঙদে, ৱা-লানসু ইঙাঙ ঙাঙদে। করি মরল হুরুবনো খঙদে মপুনা হায়রিমখৈ ইনবা মনাইদু ঙাইরে। মণিপুরীনবু অদুক মীকিথী ওইবদি ওন্থোক্লসু পকচখিদ্রে। অমবুদি লৈ- লাইরিক হৈবা, লোল-লি খঙদ্রবা লোয়ননা শেলনা থোং শারগা ওইরকপা মীয়ামগী মীহুৎতি খোঙথাং খুদিং চোপ্তুনতা লৈগনি। নন লোকলগী অচৌবা ধপতা চীং-তম মীয়ামগী মীহুৎনা শ্বর হোল্লি কাউগদবা নত্তে। খোঙ থিন্দুনা অচুম্বদা ব্রঙ-ব্রঙ দিমান্দ তৌ, নখোয়গী রাইটনি, থানানা ফারোই। পীদবসু ঙল্লোই। মণিপুরগী অঙম অথৌশিংনা মণিপুরীশিংগীদমক ৱাবীয়ু, মতেং পাংবীয়ু, মীকিথী ওইবীনু।

অনৌবা লৈঙাক্কী হিসাব হোৎনবদা মিনিষ্টর ফম লৈখায় তানদবনা হিসাবকী ফল তানরম্লরোই। পুঙলোন্দা জগোয় শাগদবশিংসু পুঙ থিল্লক্তবনা ইকায়-নুংশি য়ান্নরমগনি। লীলাগী নিংথৌ শাবশিংসু লীলা শান্নহনখিদ্রবনিনা ফিয়োম কোন্দুনা লৈনরমগনি। লমদমসিগী মমিং মণিপুর কৌই কাউনরম্লনি। মণিপুর-মালেম পূম্বনা ঙক্লবা মফমনি। লমসিদা ওইথোক্তবা হায়বদু শুক্লে লৈতে। কুকিশিংনা খঙদবগী ৱানি কৌব্রুদা লাইনা নিংথৌ ওইনা পাল্লগা লমদমসিগী তাইবঙ মী শেমখিবনি। থাংজিং চীংশাং মীতৈগী শেংলবা লাইফলেননি। ইবুধৌ থাংজিংগী লীলানি মোইরাং কংলৈরোনগী খম্বা থোইবী। নোংমদি কুকিশিং মপাপ্তুনা দোশি ওইদুনা মীতৈশিংগী য়ূম কৈ তুম্না থাখিবগুম ময়ূম মকৈ চাল্লকখিনি। মীতৈশিং তুম্না হাৎকনি তেমশিংনখিবগী লমন কুকি তুম্না হাৎলকখিনি। নিংথৌ খোইবী মহুমদা চৈনা থিল্লগবু নিংথৌ খোইবীনা চিক্তে হায়ব্রা! কুকিনা কুকিশিং ইকায়খুম্নদ্রবা, নাগানা নাগাশিং নুংশিবা ঙমদ্রবা, মীতৈনা মীতৈবু অমত্তা ওইবগী মীৎয়েংনা য়েংনদ্রবদি করম্না অপুনবগী পাঙ্গল শাগৎকনি।

লানগী মায়ওনসু হোংখ্রে। মীতৈ তান্নবা ৱারমান্নে, নাগাদা অমুক ওনশিনখ্রে। খঙদ্রে, কোচসু ৱাই, শান্নরোয়সু হুমাং কাংই, রেফরিসু কাঙলম চেল্লি হায়দুনি। মরম ওকচগদবী মৌ অনৌবীশিংসু হায়ৱে থীংবগুম থোঙ হাংদ্রবনিনা শুমজিৎ, নুরা থিবতদা কোকফাবী ওল্লে হায়দুনি। অনৌবা লৈঙাক! বরসু পীনীংদে, শাপসু তৌনীংদে। থা ১২/১৩ চূপ্না দেল্লী কৈথেল কারুনি খনবদা ঙানপ্না ঈশিংদা মথী ফাইবা উবা ঙম্বা/ঙম্বী মীতৈশিং নাখোঙ শাই। ●

# ‘‘অনৌবা লৈঙাক; অনৌবা অশা; অনৌবা লুচিংবা’’ - (১)

## (ঐখোয় খুদিংমক্না অমনা অমবু ঙাক্নদুনা তুং কোইনা চৎনগদবা পোলিসি অমা শেম্বা মথৌ তারি)

**– কাংজম হেমন্ত –**

‘নীংথমথা লাক্লবদি য়েন্নিংথানা কয়াম কুইনা পন্থদুনা লৈগনি’! থুংলরে অনৌবা অশা কয়াগা লোয়ননা মণিপুরদা থল্লম্বা পি আর লোইশিন্দুনাঅনৌবা লৈঙাক, অনৌবা অশা কয়াগা লোয়ননা অনৌবা লুচিংবা খন্দুনা মণিপুর অনৌবা পন্দুপ অমা ফেব্রুৱারী ৩দা হান্না আর দি এন্দ পি আর মিনিষ্টর ওইবিরম্বা শীংজমৈ এ সীদা ১১শুবা এসেমব্লি ইলেক্সনদা ইহান হানবা ওইনা কারক্তুনা ১২শুবা এসেমব্লি ইলেক্সনদা অনীরকশুবা ওইনা কারক্তুনা নোংথোম্বম বিরেননা লুচিংবা কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টরদা আর দি এন্দ পি আর মিনিষ্টর ওইবিরম্বা ৱাই খেমচান্দবু ফেব্রুৱারী ৩দা ন্যু দেল্লীদা লৈবা বি জে পিগী হেদ ক্বার্টরদা ফমখিবা মণিপুরগী বি জে পিগী লেজিসলেটিভ পার্টিগী মীফম্না ৱাই খেমচান্দবু মণিপুর লেজিসলেটিভ পার্টিগী লিদর ওইনা খনখিবগা লোয়ননা মহাক্না লুচিংবা গভর্ণমেন্ট অমা শেমদুনা ফেব্রুৱারী ৪, ২০২৬তা ৱাই খেমচান্দনা লুচিংদুনা হৌনবী মতুংইন্না গভর্ণর অজয় কুমার ভল্লা গভর্ণর ওফিসতা অনৌবা লৈঙাক শেম্নবা উন্নখি। নুমিৎ অসিমক্তদা ফেব্রুৱারী ৪, ২০২৬তা ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট দ্রৌপদি মুরমুনা হৌখিবা চহীগী ফেব্রুৱারী ১৩দগী থল্লকখিবা পি আর অদু ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুশনগী আর্টিকিল ৩৫৬ (২)গী মখাদা খুদক্তগী লৌথোক্লেহায়দুনা ওর্দর থোক্তুনা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যেরসকী হোম সেক্রেটরি গোবিন্দ মোহননা থাদোরকপা ওফিস No.F.No110013/01/2025-CSR-1 গী মখাদা লৌথোকখি।

মখা তানা ফেব্রুৱারী ৪গী নুংথিল পুং ৬ তাবা মতমদা লোক ভবনদা হৌনবী মতুংইন্না যূম্নাম খেমচান্দবু ১৩শুবা চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌখিবগা লোয়ননা কাংপোকপী এ সীগী এম এল এ নেমচা কিপগেন অমদি মাও এ সীগী এম এল এ লোসি দিখো অনীবুনা দেপ্যুটি সী এম ওইনা অদুগা নিংথৌখোং এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ গোবিন্দাস কোন্থৌজম অমদি ৱাঙ্গৈই এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ খুরাইজম লোকেন (নেশনেল পিপলস পার্টি) বুসু মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌখি। মসি হেক লোইবগা মণিপুরগী চীফ সেক্রেটরি পুনীট কুমার গোয়লনা চীফ মিনিষ্টরবু সী এম সেক্রেটরিএট, সী এম বঙ্গলোদা তরাম্না ওক্তুনা অহানবা কেবিনেট মীফম ফমখি।

নুমিৎ অসিমক্তদা গভর্ণরনা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিদা তরেৎশুবা সেশন ফম্নবা ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুশনগী আর্টিকিল ১৭৫ (১) গী মখাদা ওফিস ওর্দর No-3/1(4)/2022-L.A (Legn.) গী মখাদা ফেব্রুৱারী ৫গী নুংথিল পুং ৪দা তরেৎশুবা সেশন ফম্নবা ওর্দর থোক্তুনা ৱাই খেমচান্দগী লুচিংবা লৈঙাক অসিগী ফ্লোর টেষ্ট মায় পাক্তুনা মণিপুরগী মপূং ফাবা চীফ মিনিষ্টর ওইখি।

হন্দক্কী অনৌবা লৈঙাক অসিগী য়াম্না নুংঙাইবসি দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর অনী লৈহন্দুনা মণিপুরগী মরু ওইবা কাঙলূপ নাগা, কুকি অনীদগী অমমম ওইবসিনা মণিপুরগী মহৌশাদগী লাকপা য়াম্না ফজবা ঐখোয়গী তোপ-তোপ্পা দাইভর্সিটি য়ুনিটি অমদি ইন্টিগ্রিটিবু হেন্না মশক থোকহল্লনি।

অনৌবা লৈঙাক্কী অহানবা মীৎয়েং লম্বী-থোং ফগৎহনবা; ঐখোয় পূম্নমক মণিপুরনি খলহনবা; মতম কুইনা শেম্বীদনা লাক্লবা ময়ায় লম্বী হৌজিক্না নেশনল হায়ৱেগী থাক্তা ওনখৎখ্রবা নেশনল হায়ৱে ১৩৭-এ অসি মিনিষ্ট্রি ওফ রোদ ট্রান্সপোর্ট এন্দ হায়ৱেজ (এম ও আর টি ঐচ) গী মীৎয়েং মখাদা লুপা কোটি ৭৪ চঙনা শেমগৎকদবা থবক অদু ওনরেবল চীফ মিনিষ্টরনা হৌনবী মতুংইড়্না ফেব্রুৱারী ৯, ২০২৬তা লংথবাল লেপ মখা লৈকায়দা মিনিষ্টর এম এল এ অমদি ওফিশল কয়াগা লোয়ননা হৌদোকখি। ● (মখা চৎখজরকখিগনি)

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্বীজ -১৩২গী ৱাহং**

১) “অহেনবা ঈ” হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবগে?

২) “হন্দোকপা হায়বসি লুখ্রবা কলা অমনি। ফজরবসু শীংথানবীদবা, থীরগনা মীচৈ তাবা থবক অমনি।”
ৱাহৈ পরেং অসি অতোপ্পা লোলদগী মণিপুরীদা হন্দোক্লবা লাইরিক অমগী ৱামাঙ য়ানবদা ট্রান্সলেটরনা ফোঙদোকপনি। ট্রান্সলেটর অসি কনানো? মণিপুরীদা হন্দোক্লবা লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে?

৩) “নীংশিংবগী মমি” হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসিগী অইবগী মমিং ইয়ু।

৪) “লেপ্লম্মী নিংথম উলেন খাঙনা
উনাশিং অমত্তা পান্দ্রবা মরূ কোক্লবা উপালশিং
শ্বরদি হোল্লি অশিবগুম তুমিন্না লেপ্লবসু
চিল্লোক্নরি পোম্বী চেক্লাশিংগা তুমিন তুমিন...।”
শৈরেং মতেক অসি ‘য়েন্নীংথা’ হায়বা শৈরেং অদুগী অহৌবা পরেংনি। শৈরেং অসি য়াওরিবা লাইরিক্কী মমিং অমসুং অইবা কনানো?

৫) “লৈক্রক” হায়বা লাইরিক অসি অইবা কনাগী লাইরিক্নো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ২৮, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।